# তিঙ্গং কাইজংদবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবগীদমক নাদ্রিঙৈদা চেকশিলহৌবা তঙাইফদেঃ সন্তোশ




ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (এস এন এস)ঃ হকচাং ফনা নাদ–য়েক্তনা লৈদুনা অফবা তিঙ্গং কাইজংদবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবগীদমক নাদ্রিঙৈদা চেকশিলহৌবা তঙাইফদে হায়না এন এস এস সেল মণিপুরগী য়ুনিভর্সিটিগী প্রোগ্রাম কোওর্দিনেটর প্রোফেসর লাইশ্রম সন্তোশনা ফোঙদোকখ্রে।

সেব সনকল্প অভিয়ানগী মনুং চন্না মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুথ এফিয়ার্স স্পোর্টসকী মীৎয়েং মখাদা এন এস এস সেল হেল্‌ঠ সেন্টর মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, ষ্টেট এন এস এস সেল, মাই ভারত মণিপুর ষ্টেটকা খূৎশন্নদুনা মেগা ফ্রি হেল্‌ঠ কেম্প অমা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী হেল্‌ঠ সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা এন এস এস সেল মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী প্রোগ্রাম কোওর্দিনেটর প্রোফেসর লইশ্রম সন্তোশনা হায়, তিঙ্গং কাইজংদবা খুন্নাই অমা ওইহনবদা নাদ–য়েক্তবা হকচাং ফনা লৈবা অমদি নাদ্রিঙৈদা চেকশিলহৌবা চঙই। চাং নাইনা হকচাং চেকঅপ তৌথোক্তুনা অনাবা কয়াদগী ঙাকথোক্নবগী পান্দমদা ঙসিগী মেগা হেল্‌ঠ কেম্প অসি পাঙথোকপনি।

ঙসিগী হেল্‌ঠ কেম্প অসিদা পেলেটিভ কেয়র, আই, দেন্টেলনচিংবা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টকী ডোক্তরশিংনা পুন্না মীওই ৩০০ লোম অনা লায়েংখি হায়না য়ুনিভর্সিটি অসিগী হেল্‌ঠ সেন্টরগী মেদিকেল ওফিসর ডা লমাবম পিঙ্কিনা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এম য়ুগী ভি সি প্রোফেসর হেমাকুমার, য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস মণিপুরগী সেক্রেটরী নাওরেম প্রভিন, মাই ভারত মণিপুর ষ্টেটকী দাইরেক্তর দব্লিউ পোলিনা মোন্সাং য়াওনা তোঙান তোঙানবা মরুওইবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

## ঈ–ওফিস সিষ্টেম শীজিন্নবনা ফাইল...

*লমায় ১গী মখা...* থৌরমদা ৱাফম অসি সেক্রেটরিনা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরমগী অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল থল্লদুনা সেক্রেটরি নিতা অরাম্বমনা হায়, হেন্না ফবা গভর্ণনান্স অমা লৈনবা অমসুং মীয়ামগী থবক থৌরম পাঙথোকপদা মায় পাক্লবগীদমক টেক্নোলোজিগী অওনবশিং অসিগী মতেং লৌবা চঙই। দি আই পি আরগী ৱেবসাইট অমুক হন্না হাংদোকপা অমসুং ঈ–ওফিস সিষ্টেম চৎনবা হৌহনবা অসিনা দিপার্টমেন্ট অসিগী থবক থৌরম পাঙথোকপদা অচৌবা মতেং অমা ওইরগনি। দিরেক্টোরেট অসিগী ৱেবসাইট অসিনা মীয়াম অমসুং লৈঙাক্কী মরক্তা থোং ওইদুনা লৈঙাক্না পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং মরিক চুন্না মীয়ামদা খঙহনবদা অচৌবা মতেং অমা ওইরগনি। মসিদা নত্তনা ৱেবদাইট অসিনা মীয়াম অমসুং মেদিয়াদা লৈঙাক্না পায়খৎলিবা পোলিসি অমদি প্রোগ্রামশিংগী মতাং দা মরিক চুন্না খঙহনবসু ঙম্লগনি। ঈ–ওফিস সিষ্টেম শীজিন্নবা হৌবা অসিনা তোঙান–তোঙানবা মরু ওইবা ফাইল প্রোসেসিংগী থবক থৌরম পাঙথোকপদা মতম থিন্থুরম্বগী চাং অদুসু হন্থহনবা ঙম্লগনি। লোয়ননা ঈ–ওফিস সিষ্টেম অসি ষ্টেট অসিগী তোঙান–তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা ওফিসশিংদসু শীজিন্নবা হৌদোকহনবগী তঙাইফদবা লৈ। মসিদা নত্তনা ওথোরিটিগী মায়কৈদগীসু খোঙথাং অসি পায়খৎনবগী পাউতাক পীরকপা লৈরবনি। অওনবা অহোংবা লাক্লিবশিং অসিনা পীরিবা কান্নবশিং ষ্টাফ অমদি ওফিসিয়েলশিংনা মতম চানা লৌনবা হোৎনহৌবা চঙই। দিরেক্টোরেট অসিগী ঙসি হাংদোক্লিবা সিষ্টেমশিং অসি মায় পাকপা নত্রগা পাক্তবা হায়বদু ষ্টাফশিংনা লৌরিবা থৌদাংগী মখা পোনগদৌরিবনি হায়খি।

থৌরম অদু শরুক য়ারদুনা আই পি আরগী দিরেক্টর ডা. টি ঐচ চরঞ্জিৎনা হায়, ঈ–ওফিস সিষ্টেম হায়বসি হৌজিক্কী মতম অসিদা য়ান্না মরু ওইবা অমা ওইরি। লৈঙাক্কী লোইশঙ পূন্নমক্তা সিষ্টেম অসি মপুং ফানা শীজিন্নবা হৌনবগী পাউতাক পীরকপসু লৈরি। টেক্নোলোজিগী অনৌবা অওনবা লাকপা মতমদা ঐখোয় পূন্নমক্না খূদোংচাদবা খরা থেংনরবসু শীজিন্নবগী মতুং ইন্না তপ্না তপ্না অদুমক কান্নবা অদু লৌবা ঙম্লক্কনি থাজে। ঈ–ওফিস সিষ্টেম শীজিন্নবা হায়বসিনা দিপার্টমেন্টকী থবক থৌরম হেন্না লায়না পাঙথোকপা ঙমগদৌরিবনি। থবক অমা পায়খৎপদা হান্না লৌরম্বা মতম অদুগী চাংসু হন্থহন্দুনা অচৌবা মতেং অমা ওইগদৌরিবনি। দি আই পি আরগী ওইনা ঙসি হাংদোক্লিবা ৱেবসাইট অমসুং ঈ–ওফিস সিষ্টেম অসি মায় পাক্না চঙশিন্নবা হোৎনবদা পূন্নমক্না থৌদাং লৌমিন্নসি হায়খি।

ক্যুবটেন টেক্নোলোজি প্রাইভেট লিমিটেদকী এম দি / সি ই ও ডা. হাওবম জয়রেম্বা য়াওনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা তোঙান–তোঙানবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি। ক্যুবটেন টেক্নোলোজি সকী সেনিয়র টেক্নিকেল লিট অমদি প্রোজেক্ট মেনেজর বি গুনেশ্বর শর্ম্মানা টেক্নিকেলগী শরুক্তা ঙসি অমুক হন্না হাংদোক্লিবা দি আই পি আরগী ৱেবদাইট অসিনা পীগদৌরিবা কান্নবা অমদি শীজিন্নবগী মওং মতৌগী মতাংদা মরু ওইবা ৱাফম কয়াসু মীয়ামদা থমখি।

## মরাল লৈরবদি চৈরাক ফংজগদবনি, মরাল...

*লমায় ১গী মখা...*

ইরাং অসি হৌরকপা মতমদা চথুরকখিবা কোক্কী লান অদুদা প্রোফেসর অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা ঐখোয়বু মালেমদা লান্না পাউথোকখিবশিং অদু থেংনদুনা মায়োক্লখিবনি। মহাক্না পোলিটিক্সতা চঙলক্তুনা মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইদুনা লমদম অসিগী মীয়ান্না থেংনরিবা অৱাবশিং অদু পার্লিয়ামেন্টতা পুখৎতুনা ঐখোয় লান্দে হায়বদু উৎখিবনি। মহাক্না মালেমগী মীয়ামদা ঐখোয়বু নমথনবা হোৎনরিবশিং অদু ময়েক শেংনা খঙহন্দুনা ঐখোয় লানখিদে হায়বদু উত্তুনা ঐখোয়দা লান্না উরম্বশিং অদু চুমথোক্খিবনি ।

শাংলবা চহী ৩০ রোম জে এন য়ুনিভর্সিটিদা ওঝা ওইরকপদা অসিগুম্বা থৌদোক ৱাথোক অসি অমত্তা থোকখিদ্রগা হৌজিক খত্তদা এমপি অসিদা মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ইসু অসিগী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টদা পুথোক্তু না লৈবাক অসিগী অমসুং মালেমগী মফম কয়াদা খঙহন্নবা হোৎনরিবা অসিদা নমথনবা শরৌ লাং অমা ওইনা অসিগুম্বা থৌওং অসি চথুরকপা ওইগনি। এমপি বিমোলদা চথুরক্লিবা থৌওং অসি দিল্লিগী চিফ মিনিষ্টর কেজ্রিৱালদা শিনখিবা লাংলৌ অদুগা মান্নবা থৌওংনি হায়না খল্লি। কুকিশিংগী ওইনদি লোগী ৱাংমদা পোপ্পি থাদুনা য়াল্লবা শেল অমসুং খুৎশু খুৎলায় কয়া তাশিল্লবা মতুংদা মৈতৈশিংগী মথক্তা লান্দাবা হৌরকখিবনি। কুকিশিংগী ওইনদি নেসনেল মেদিয়া অমসুং উকিল ফাওবা হান্না থৌরাং তৌদুনা থমখ্রবনি। অসিগুম্বা কুকিশিংনা চথুরক্লিবা লাল্লোং কয়া অসিগী মায়োক্তা এমপি বিমোলনা পার্লিয়ামেন্টদা চপ চানা থেংননবা হোৎনরিবা অসিগী মরক্তা সেক্সুএল হরাসমেন্টগী মরাল কয়া শিরক্লিবা অসি থাজবা ঙমদে। থৌওং অসি লমদম অসিগী মচিন তুমখৎলক্লিবা এমপি অসিবু নমথনবা অমসুং মচিন মেন্নবা হোৎনবনি। অসিগুম্বা থৌওং অসি মীয়াম্না য়াবা ঙম্লোই। মহাক্কী মথক্তা শিরক্লিবা মরাল অসিগী মতাংদা হৌজিক ইনভেষ্টিগেসন প্রোসেসতা লৈরিবনি। ইনভেষ্টিগেসন অসিদা এমপি বিমোলনা মরাল লৈরম্লবদি করিসু হায়নিংঙাই লৈতে। অদুবু ইনভেষ্টিগেসনগী প্রোসেস লোয়দ্রিঙৈদা মহাকপু রিজাইন তৌগদবনি হায়না ঐখোয় মশেল চিংথনবগী থৌওং অসি তৌরোইদবনি হায়খি।

## বি জে ৱাই এমনা কোংগ্রেস ভাবন...

*লমায় ১গী মখা...*কয়া লাওশিনখি। মফম অদুদা বি জে ৱাই এমগী থৌমীশিংনা কোংগ্রেস ভাবনগী গেট তন্না থোমজিন্নবা হোৎনরকপদা মণিপুর পুলিসকী য়াম্লবা পর্সোনেলশিংনা থৎতুনা থম্বদগী খোঙজংলোইশিংগা সেক্যুরিটি পর্সোনেলশিংনা অকনবা মওংদা মুক্লখি। রেল্লি অদুগা মরী লৈননা বি জে ৱাই এমগী মায়কৈদগী অশুক চাওবা য়ুনিভর্সিটি অমনা থবক্তগী লৌথোরকপা অসি মণিপুরগী ওইনা ইকায়নিংঙাইনি। অসিগুম্বা এম পি অমা থবক্তগী লৌথোরক্লিবা অসিগী মতাংদা কোংগ্রেস পার্টিগী মায়কৈদগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্তবা লাইবক থীবনি হায়না ফোঙদোকখি।

নাকল অমরোমদা, লোক সভাগী মেম্বর প্রোফেসর অঙোমচা বিমোল অকোইজমগী মতাংদা রুলিং লৈঙাক্কী মরী লৈনবা মীওইশিংনা রেল্লি লাক্তুনা জষ্টিষ্ট ফংহল্লু হায়না ওপোজিসন পার্টিগী মায়কৈদা লাওরিবা অসি য়াম্না ইকায়নিং ঙাইনি হায়না মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সি সি)গী ভাইস প্রসিদেন্ট হরেশ্বর গোস্বামীনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি বি জে ৱাই এম অমদি বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী নহা কাঙবুশিংনা চত্থখিবা খোঙজং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মণিপুর প্রদেশ য়ুথ কোংগ্রেস কম্মিটি অমদি এম পি সি সিগী নহাশিংনা কোংগ্রেস ভাবনদগী বি জে পি থম্বাল শঙলেন তন্না রেল্লি চৎনবা থৌরাংখি।

রেল্লি চৎনবা থোক্লকপদা য়াল্লবা সেক্যুরিটি ফোর্সকী কাঙবুনা কোংগ্রেস ভাবন গেট মমাঙদা থত্তুনা থমখি। লোয়ননা এম পি সি সিগী য়ুথশিংগা পুলিসকা মুক্লবা থোকখি। থৌদোক অদুদা মণিপুর প্রদেশ য়ুথ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ৱাহেংবম অনন্দ, সেক্যুরিটি ফোর্সনা ফাজিন্দুনা থমখিবদগী রেল্লি অদু চৎখিদ্রে।

বি জে ৱাই এম অমদি বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী নহা কাঙবুনা ওজা বিমোলগী মতাংদা চত্থখিবা খোঙজং অদু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা এম পি সি সিগী ভাইস প্রসিদেন্ট হরেশ্বর গোস্বামীনা হায়, এম এল এ ৫৫ লৈবা রুলিং লৈঙাক্না ওজা বিমোলগী মতাংদা জষ্টিশ ফংহল্লু হায়না লাওরিবা অসি য়াম্না ইকায়নিং ঙাইনি। এম এল এ ৫ খক লৈবা ওপোজিসন পার্টিদা জষ্টিস ফংহল্লু হায়না লাওরিবা অসিমক মণিপুরগী পুৱারীদা অহানবা থৌদোক্নি। ঙসি চত্থখিবা থৌওং অদুমক মথংগী ইলেক্সনদা মায়থিদুনা ওপোজিসন ওইনা লাক্লমদাইগী প্রাক্টিশ তৌবনি।

জে এন য়ুগী ৱাথোক অদুগী মতাংদা ওজা বিমোল মশানা লোগী ওইবা থবকশিংদা মায়পুননা মায়োক য়ারি। অচুম্বদি মতমগী মতুং ইন্না লোগী খূত্থাংদা লাক্কদবনি। ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদনা লৈরিবা মণিপুরগী ইরাং অমদি মীয়াম্না ৱানরিবা অসি নাথৈবা য়ানবা বি জে পিনা হোৎনবনি হায়নসু পাল্লিবা লৈঙাক অসিদা মরাল শীখি।

# ইম্ফালদসু এম্পিয়রগী অনৌবা ইলেক্ট্রিক স্কুটর এক্সপরিয়েন্স সেন্টর য়ৌরকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (এস এন এস)ঃ গ্রিভস ইলেক্ট্রিক মোবিলিটিজ ইলেক্ট্রিক টু হুইলর ব্রান্দ এম্পিয়রনা কৈশামপাৎ ৱাহেংবম লৈকায়দা অনৌবা এক্সপরিয়েন্স সেন্টর কে দি ২৪ এন্টরপ্রাইজেস অমা হাংদোকখ্রে।

নৌনা হাংদোক্লিবা ইলেক্ট্রিক স্কুটর এক্সপরিয়েন্স সেন্টর অসিগা লোয়ননা রিটেল অমদি সর্ভিস নেটৱার্ককী খুদোংচাবশিংসু লৈগনি। সেন্টর অসিগী খুত্থাংদা এম্পিয়র্স ইলেক্ট্রিক স্কুটর পোর্টফোলিও, নেক্সস ই এক্স প্লস, মেগনস জি মেক্স, মেগনস নিও এন্দ রিও ভি ৱাই বিগী সেল অমদি সার্ভিস সপোর্টসু লৈগনি। নেক্সস ই এক্স প্লস ফিচর্সগী ফাইভ কে দব্লিয়ু মোটোর, মেগনস জি মেক্স অমদি নেক্সস ই এক্স প্লস য়াওনা তোঙান–তোঙানবা ভেরিএন্টদা ওফর পিবগা লোয়ননা ইন্টলিজেন্স ফিচর্স ৩০গী মথক্তা ইন্টল্লিপেককী খুত্থাংদা ফংগনি। পোর্টফোলিও অসিদা নেক্স জেনরেসনগী এল এফ পি বেটরি টেক্নোলোজিসু য়াওরি। লোয়ননা চহী ৫ অমদি কিলোমিটর ৭৫,০০০ গী ষ্টেন্দার্দ ৱারেন্টিসু ফংগনি হায়রি।

এম্পিয়ারনা ফৎতবা লম্বীশিংদসু প্রদক্টশিং অসি পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখ্রে। হন্দক্তসু ইন্টল্লিপেককী মেগনস জি মেক্সনা অরুনাচল প্রদেশকী দোং ভেল্লিদগী গুজরাটকী গুহর মোটি ফাওবগী চাউরাক্না কিলোমিটর ৪,০০০ রোমগী অশাংবা লম্বী নুমীৎ ১৫ গী মনুংদা চৎপা ঙমখি। মসিদা নত্তনা নেক্সস প্লেটফোর্মনা কোল্লি হিল্সকী য়ান্না থেকোই–নাকোয় তৌবা লম্বী ৭০ রোমদসু চৎখি। লোয়ননা ফিট ১৩,০০০ লোম ৱাংবা শিপকি লাদসু য়ৌবা ঙমখি হায়রি।

ইম্ফালদা অনৌবা দিলরশিপতগী ইলেক্ট্রিক স্কুটর, সার্ভিসিং অমদি ওনরশিপ সপোর্টসু ফংবা ঙম্লগনি। কঞ্জুমর এফোরদেবিলিটি, চার্জিং ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমদি কষ্টমরশিংনা গাড়ী লৈবা ঙম্বগী চাংদা য়ুম্ফম ওইরগা ইলেক্ট্রিক টু হুইলরগী মার্কেটতা ইলেক্ট্রিক মোবিলিটিগী মশক লেপ্পা ঙম্লক্কনি হায়রি।

## মালোম মেঘা হায় স্কুলদা এৱার্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (এস এন এস)ঃ কোলিয়েসন এগেনষ্ট দ্রগ এন্দ আলকোহোল (কাদা) একাদেমিক এৱার্নেস প্রোগামগী শরুক অমা ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চন্না লৈবা মালোম মেঘা হায় স্কুলদা এৱার্নেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

ময়াই কাবা নিশানা মহৈরোই খুন্নাইদা পীবা চৈথেংনা এৱার্নেস প্রোগ্রাম অসিগী থিম ওইখি।

এৱার্নেস প্রোগ্রাম অসিগী অথোইবা মীথুংলেন ওইনা স্কুল অসিগী হেদ মিষ্ট্রেস সিঐচ দময়ন্তি দেবী, কাদাগী প্রসিদেন্ট হিজম প্রিয়োকুমার অমসুং কাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী জেনরেল সেক্রেটরী তখেল্লম্বম গীতচন্দ্র মৈতৈনা মহৈরোইশিংদা স্লাইদ কাপ্তুনা নিশানা শোকহনবা কয়াগী মতাংদা মচা খায়না থম্বগা লোয়ননা মহৈরোইশিংদা নিশাগী হৌরকফম অমদি সমাজ দা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্না কয়ামুক য়ান্না চৈথেং পীবগে হায়বগী মতাং দা খঙহনখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ময়াই কাবা চীঙ্গাক অসি ফত্তে খঙলবনিনা করিগীদমক টেষ্ট তৌগদৌরিবনো। মরম অদুনা মসিদগী য়ান্না লাপ্না লৈদুনা মহৈরোইশিংনা লাইরিক লাইশুগী হীরমদা হেন্না মায় ওনশিনদুনা পুন্সিদা মায় পাকপা অমমম ওইদুনা তুংগী মীরোলগীদমক মীংচৎ পুরক্লবা হোৎনবা লেপ্পা য়াদে হায়খি।

অমরোমদা, নিশা অসি অচৌবা মচা নাইদে অমদি মমল হোংবা তাংবাগী খেন্নবা লৈতে, মীওইবগী হকচাংদা শোকহনবা ঙাক্তনি। কনাগুম্বা খরদি ঐদি নিশা চাদে, তলব অমদি হীদাকমনা খক্তনি হায়বা অসি য়ান্না লানগনি। মরমদি হীদক মনাগী পোৎলমশিং সিনা অহানবা গেট ৱে ওফ দ্রগনি। মরম অদুনা মসিদগী অহেনবা নিশা মখা তানা চারক্লবগী মচাক অমা ওইরই হায়রি।

মরম অদুনা মসিবু থেংনদুনা নহারোলশিং তুগীদমক কলহৌগে হায়রবদি ঐখোয়গী খুন্নাই অমদি ওজাশিং অমদি খঙ–হৈরবা থবক্তগী পোত্থারবশিংগী থৌদাং য়ান্না চাউই হায়রি।

## তুংলমচৎ করি ওইহৌগনি খল্লুবদা নুঙনাংবা...

*লমায় ১গী মখা...*

য়াওনা গুৱাহাটিদা শেমগৎপা ইরাবত ষ্টেচুগী দোন্নর অমসুং অনৌবা লাইফ মেম্বরশিং ওকপগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগী অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল এম এল এ করাম শ্যামনা হায়, ঐখোয় পূন্নমক্না পাম্বা অমদি খঞ্জবা মণিপুর অদু ঙসিদি ওইরক্ত্রে হায়বসি মীয়ান্না খঙলবা ঙাক্তনি। লমদম অসিদা ঙসি ঙসিমকসু মীনুংশি য়াওদবগী থৌওং কয়া চত্থবা লেপ্তনা থেংনরি। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা থম্মোয় শোক্তবা মীওই অমত্তা লমদম অসিদা লৈরমগনি হায়বা থাজদে। ফুরুপ মশেলগী মরক্তা অমনা অমবু নমথনবা হোৎনরক্লিবশিং অসি লাকশিন্নবা লৈঙাক্না থৌদাং লৌবা চঙই হায়বসি পূন্নমক্না খঙই। তুংলমচৎকীদমক খল্লুবদা নুঙনাংবা পোক্তবদি নত্তে। অদুবু ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা লৈঙাক খক্তদা থৌদাং পূম্বা অততাই ওইনা ইন্থোক্তুনা থম্বদি চুম্লোই। মণিপুরদা ইং তপ্পা হঞ্জিল্লকবা হোৎনবদা ঐখোয় পূন্নমক অমত্তা ওইনা ৱাখল তামিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। মণিপুরগী মপান্দদা খুন্দারিবা মণিপুরিশিং অমদি লমদম অসিগী মীয়ামগী মরক্তা অফবা মরী শাগৎনবা হোৎনবদা পেত্রিওটিক্স রাইটর্স ফোরমদা লৌরিবা থৌদাং শীংথানিংঙাইনি হায়খি।

অমরোমদা থৌরম অদু শরুক য়ারদুনা ৱাংখৈ এ সিগী এম এল এ থাংজম অরুনকুমারনা হায়, মণিপুরগী কলচরনা ইন্দিয়াবু মালেমদা মশক তাক্লিবনি। লমদম অসিগী কলচর অদুক্কী মতিক থাক ৱাংই হায়বসি ঐখোয় পূন্নমক্না খঙলবা ঙাক্তনি। মরম অদুনা ঐখোয়গী লৈজরিবা কলচর, লোল অমদি ময়েকশিং অমদি য়োকখৎনবা হোৎনবদা পূন্নমক্না থৌদাং লৌবা চঙই। মণিপুরগী মপান্দদা লৈখ্রবা লমদম অসিগী ঈ মরিশিং অসিগী খোঙ্গুল লিদুনা ঐখোয়গী লোল অমদি ময়েক য়োকখৎনবা খোঙথাং য়াওনা অফবা মরি শাগৎনবগীদমক পেত্রিওটিক রাইটর্স ফোরমদা লৌরিবা থৌদাং শীংথাবগী লোইবা নাইরোই হায়খি।

থৌরম অদুদা পি এ দব্লিউ এফ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট নাওরোইবম খম্বা লুৱাং, ফোরম অসিগী হান্নগী প্রসিদেন্ট য়াইস্কুল খ্বাইরাকপম, মণিপুর ষ্টেট সোসিয়েল ৱেলফেয়র বোর্দকী হান্নগী চেয়রপার্সন আর কে নায়নসনা য়াওনা তোঙান–তোঙানবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

## দুর্গা পূজা, দিৱালিগা মরী লৈননা লগাও...

*লমায় ১গী মখা...*

তংদু লৈতাদবা ফিভম অমদা লৈরিবা, লমদম অসিদা ঙসি থোক্লিবা ইরাং অমদি মীশি মীনা কয়াগী মরক অসিদা ৱানা তাল্লুবা শেলশিং লগাওনচিংবদা থাদোকপা অমদি শেল মাঙবা কাঙবূনা ময়ূমদা খৎন–চৈনবা কয়া থোকপগী ৱাফম লূপ অসিনা থিজিল্লুবদা খঙবা ঙম্লে।

লগাও খাউবা অসিদা নুপী ওইবীশিং ফাওবা য়াওনা খাউবা য়াওশিল্লকপা অসি য়ান্না লাইবক থিবনি। করিগুম্বা য়ু এম ওনা থেংনবা থোক্লবদি মদুগী লৌখৎফম থোকপা এক্সন অদুম লৌখৎকনি। মরম অদুনা লাক্কদৌরিবা কুম্মৈ অসিগা মরী লৈননা মফম মফমশিংদা লগাও খাউবগী থবক থিংজিনবগী খোঙথাং অসি লৌরকখিবনি।

নাকল অমরোমদা, লমদম অসি ঙসিদি নিশাগী মকোল ওইরক্লে। লৈরক–কোন্থোং খূদিংমক্তা য়ুগী ভেন্দর হাংজিল্লকপা কয়া অসি ষ্টেট সেক্যুরিটিনা নোংমগী শেনখায় ওইনা লুপা খরা লৌবগী মহুত্তা লোগী মতুং ইন্না চৈরাক পীয়ু হায়খি।

## বিমোল কোংগ্রেস এম পি ওইদ্রবরা ...

*লমায় ১গী মখা...*

এম পি প্রোফেসর অঙোমচা বিমোল অকোইজমগী মথক্তা শীরক্লিবা মরাল অমসুং থোক্লিবা ইশু অসি মণিপুরদগী হৌরকপা, মণিপুরদগী শেন্বা ইশু নত্তে। থা অসিগী ৯দা অঙোমচা বিমোলবু জে এন য়ুগী প্রোফেসরগী ফমদগী লৌথোরকপদা ইন্দিয়ান নেসনেল কোংগ্রেসকী লিদরশিংগী মায়কৈদগী ঙসি ফাওবা করিগুম্বা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরক্ত্রিবা করিগীনো। এ আই সি সিগী থাক্তা হীরম অসিগী মতাং দা মেদিয়া চেনেলদা খন্ন–নৈনবদা কনাগুম্বা অমত্তা থোক্লক্ত্রিবা অসিগী মরম্না করিগীনো অমদি অঙোমচা বিমোল অকোইজম অসি কোংগ্রেস পার্টিগী এম পি ওইদ্রে হায়না এ আই সি সিনা লৌরব্রা। জে এন য়ুগী গাইদলাইনগী মতুং ইন্না আই সি সিনা নুমিৎ ৯০নিদা লোইশিনগদবা ইনক্কারি অমবু চাওরক্না নুমিৎ ১৬০ রোম লৌরবা মতুং ওক্টোবর ৯দা থবক্তগী লৌথোরকপগী চেরোল থোক্লকখিবনি। শাংলবা ইনক্কারি অমদি মরী লৈনবা প্রোসিদিংগী পীরিবা মতম অদুগী মনুংদা আই সি সিগী রিপোর্ট অদুবু মায়োক্লখিবা অমদি কোর্টতা চৎতুনা থেংনখিদবগী মরম করিনো। ইশু অসি চাওথোকহল্লিবা অসি কনাননো অদুগা ইশু অসি বি জে পিনা লোইশিনগদবরা। মীশক অমদি মরাল শীবা, কেস অমা লাক্নগা মতিক চাবা মফমদা অচুম–অরান থেংনবগী মহুৎতা কোংগ্রেস পার্টিনা ইশু শাগৎতুনা মণিপুর মীয়াম অসি অরানবা মওংদা পুক্লিং ৱাখল ওন্নবা হোৎনরব্রা হায়বা অসিসু ৱাহং অমনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

## ইম্ফালদা চৎতুনা মশাগী মথৌ পাঙথোক্নবা ...

*লমায় ১গী মখা...*

পায়খৎলিবা থবক থৌরম মীয়ান্না খঙই। মসিদা নত্তনা মণিপুর অমদি কাংপোকপি দিষ্ট্রিক্টতা ইং তপ্পা হঞ্জিল্লক্নবা দিপ্যুতি সি এমনা লৌরিবা থৌদাং মীয়ান্না ময়েক শেংনা খঙই। মরম অদুনা ইম্ফালদা চাং নাইনা চৎতুনা দিপ্যুতি সি এম অমা ওইবগী লৌফম থোকপা থৌদাং লৌবা হায়বসি তঙাইফদবনি। দিপ্যুতি সি এম অমা ওইনা নেমচা কিপগেননা ইম্ফালদা চাং নাইনা চৎতুনা মশাগী মিনিষ্টিরিয়েল ৱার্ক মপুং ফানা ষ্টেট মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা পাঙথোকপা মথৌ তাই। ইং তপ্পা হঞ্জিল্লক্নবা অমদি চাওখৎ থৌরাংদা খূৎমাং চাওশিন্নবগীদমক মীয়ামগী ওইবা অচৌবা মীৎয়েং অমদা দিপ্যুতি সি এমনা ইম্ফালদা চৎতুনা মথৌ পাঙথোক্নবগী ৱাফম অসি সি এস ওশিং অসিনা পুখৎলকপনি। মীওই কয়া লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা মণিপুর মীয়ান্না থেংনরিবা চৈথেং ঐখোয় পূন্নমক্না খঙফম থোকই। অসিগুম্বা কয়া অসিগী য়েংলগা পূন্নমক্কী য়াইফনবা ৱাখল্লোলদা সি এস ওশিংনা দিপ্যুতি সি এমদা ৱাফম অসি তকশিনবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# ‘মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙবীয়ু’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (এস এন এস)ঃ লিলোং এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সি অমদি ৱাঙ্গোই পি এসকী মনুংদা লৈবা গেহ্ লম্পাক অসি ওইনাম শওম্বুং জি পিগী ভিলেজ নম্বর ১৩ লম্পাক লৈফ্রাকফমগীনি হায়না বেন্নর থেৎপদা ওইনাম শওম্বুং ভিলেজ ১৪গী খুঞ্জা খরনা বেন্নর থুদেকপবু লাইবক থিবনি। মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা মীৎয়েং চঙবীদুনা লম্পাক অসি করম্বা খুনগীনো হায়বদু থিদোকপীয়ু হায়না লৈফ্রাকপম অপুনবা লূপকী কনভেনর সনাজাউবনা ফোঙদোকখ্রে।

থোকখিবা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ঙসি লৈফ্রাকপমগী মফম অমদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না মখা তানা হায়, লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ওইনাম শওম্বুং জি পি ভিলেজ নম্বর ১৩ গেহ্ লম্পাক অসি লৈফ্রাকপমনি হায়না সেট্টলমেন্ট ওফিস ফাওবা ওর্দর থোকখিবসু লৈখ্রবনি। মমাঙদসু লম্পাক অসিগী মতাংদা খুন অনীগী খুঞ্জাশিংগী মরক্তা খৎন–চৈনবা থোকখিবা কয়াসু লৈখ্রবনি। থৌদোক অসিগী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা মীৎয়েং চঙবীদুনা লম্পাক অসি করম্বা খুনগীনো হায়বদু থিদোকপীয়ু।

লম্পাক অসি মুতুম ঙাওবী দেবী অমদি থৌদাম অঙৌ হায়রিবা অহল অনী অসিনা মশা মশাগী লমদা পোইন্ট খরা খরা কখোক্তুনা গেহ্ লম্পাক অসি চাউথোক্লবা হোৎনখিবনি। গেহ্ লম্পাক অসি লৈফ্রাকপমগীনি লাইফ্রাকপমগী খুঞ্জাশিংগী অয়াবা য়াওদনা কনাগুম্বা অমত্তনা লম্পাক অসিদা থবক থৌরম তৌবা য়ারোই অমদি লম্পাক অসি অথিংবা থম্লে হায়না ফোঙদোকখি।

## লংকা ১দি লাইরোক কোমদগী...

*লমায় ১গী মখা...*

অখুপ কোম ফাখ্রে। খূৎশু খূৎলায় পুরম্বদগী ফারবা সাইচে বোইসান কোমদগী য়াল্লবা খূৎলায়শিংসু ফংখ্রে। খূৎলায়শিং অদুদি পোইন্ট ৩০৩ এল এম জি ১, মেগজিন য়াওনা এম৪ রাইফল ১, মেগজিন য়াওনা এ কে ৫৬ রাইফল ১, মেগজিন য়াওনা এ কে এসোল্ট রাইফল ১, এম এম ৫১ মোটোর গন ১, সেল ৫, মেগজিন য়াওনা পোইন্ট ৩২গী পিষ্টোল ২, নম্বর ৩৬ ঐচ ই গ্রেনেদ ৩, চাইনিজ হেন্দগ্রেনেদ ১, লোথোট সেল ৪, তোঙান–তোঙানবা নোংমৈশিংগী মরু ৮৭, দেটোনেটর ৫, চার্জর ৩ য়াওনা হেন্দহেল্ড সেট ৬ অমদি গাড়ী অমগা লোয়ননা ফাগৎখিবনি হায়রি।

## সেক্যুরিটিনা মফম খূদিং ঙাকপা...

*লমায় ১গী মখা...*

তৌবা ঙম্লোই। ঐখোয়গী প্রোব্লেম অসি সেক্যুরিটি ফোর্সনা কৈদৌনুংদা ৱারোইশিন পুরকপা ঙম্লোই। ঐখোয়গী প্রোব্লেমদি ঐখোয়না ৱারোইশিন পুরক্কদবনি। ঐখোয়না সেক্যুরিটি ফোর্স কয়া য়াম্না থমগদৌরিবনো। মীওই খূদিংমক্কী সেক্যুরিটি ফোর্সনা ঙাক শেনবা ঙমগদবসু নত্তে। কাঙলুপ ফুরুপ খাইদনা মণিপুরি খূদিংমক্না শন্তাইনবগী টেবলদা লাক্তুনা ৱারি ৱাতাই শান্নরগা লমদম অসিদা তঙ্গু লৈতাবা পুরক্কদবনি। মখল খূদিংমক্কী উংখৎনবশিং নোংমৈনা ৱারোইশিন পুরকখিবা নত্তে। অদুনা ৱারি ৱাতাই শান্নবা য়ান্নমক মথৌ তাই। ঐখোয়দা লৈরিবা থাজনদবশিং তপ্না তপ্না লৌথোকপা চঙই। ঐখোয় অমত্তা ওইনা টেবল অমদা ফম্মিন্নদুনা ৱাখল তামিন্নবা নত্তনা সেক্যুরিটি ফোর্সনা ঐখোয়গী প্রোব্লেমশিং লোইশিনবা ঙম্লোই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

লো কায়না হিংশাগী থবক চথুরিবশিং অসিগী মথক্তা সেক্যুরিটি ফোর্সনা চানবা থবক অমত্তা পায়খৎপগী মমি উদ্রিবা অসিগী মতাংদা হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হায়, সেক্যুরিটি ফোর্সনা খূৎ থাবা হায়বসি মরাল লৈবা মীশিংগী মথক্তনি। চীংগী হীংশা থোকপা মফমশিংদা চঙশিনবা মতমদা মফম অদুদা মী অমত্তা লৈরমদে। মসিনি সেক্যুরিটিশিংনা চাওনা থেংনরিবা খূদোংচাদবা অসি। ফিভম অসি লৈঙাক্না য়ান্না কুপ্না য়েংশিল্লি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

## কে এম এনা য়ানিংদবা ...

*লমায় ১গী মখা...* চেরোল অমনা হায়, থবক থৌরম মপুং ফানা পায়খৎতনা জৱাহরলাল নেহরু য়ুনিভর্সিটিদগী ইন্নর মণিপুরগী এম পিসু ওইরিবা প্রোফেসর বিমোল অকোইজমবু লৌথোরকপা অসিমক লাইবক থীবনি। কাঙলোন চুন্না ত্রাইয়েল চৎখদনা প্রেফেসর অসিগী মথক্তা শীরক্লিবা মরাল অকনবা মওংদা য়ানিংদে। অৱাং নোংপোক ইন্দিয়া অমদি মণিপুর মীয়ামগী খোল্লাও নমথনবা চথুরকপা লৌতুনবা থৌওংনি হায়বদু ময়েক শেংলে। কে এম এ হায়বসি নন পোলিটিকেল এসোসিয়েসন অমা ওইনা কর্নাটকা অমদি বেঙ্গালুরুদা লৈরিবা মৈতৈ ফুরুপকী মীয়ামগী য়াইফনবা থৌদাং লৌরিবা এসোসিয়েসন অমনি। পোলিটিকেল পার্টি অমত্তা মরী লৈনদে। প্রোফেসর বিমোলবু এসোসিয়েন অসিনা পোলিটিকেলগী মীৎয়েংদা ওইনা উদে। প্রোফেসর বিমোল অৱাং নোংপোক অমদি মণিপুর মীয়ামগী য়ান্না মরু ওইবা খোল্লাও অমনি। মরম অদুনা পার্টিগী খেন্নবা থাদোক্লগা মণিপুরগী লৈরিবা মীয়ামগী মীহুৎশিংনা প্রোফেসর বিমোলগী লুরবা তানফম অসিদা কুপ্না ৱাখল খন্থমিন্নবা মথৌ তাই। লৈবাক অসিগী লৈরিবা কাঙলোন ঙাক্না ময়েক শেংনা ইনভেষ্টিগেসন চথুগদবনি। মপুং ফাবা থবক থৌরম পায়খৎতনা মরাল শীবগী থৌওং অসি য়ানিংদে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

## কামজোং দিষ্ট্রিক্টতা নাগা ভিল্লেজ ...

*লমায় ১গী মখা...* এটেক চথুরকখিবা কে এন এ–বি অমদি ভি ভি ই জেদকী মিলিটেন্টশিংগী মরক্তসু শোয়দনা অশোক–অপন য়াওরমগনি হায়বগী চিংনবসু লৈ। কে এন এ–বি অমদি ভি ভি ই জেদকী মিলিটেন্টশিংনা চহী অসিগী হৌখিবা মে ৩ দগী লেপ্পা লৈতনা চথুরকখিবা এটেক অদুগী মনুং চন্না ঙরাংগী এটেক অদুসু চথুরকখিবনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

## ৱুমেন রিজার্ভেসন অমদি দিলিমিটেসন...

*লমায় ১গী মখা...*য়াওরকখ্রে। লোয়ননা এন সি পি (সরত পৱার) য়াওনা অতৈ অতোপ্পা পার্টিগী এম পিশিংসু রুল্লিং পার্টি অসিদা শৌগৎলকপা য়াবগী মমি উরকখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি, চহী অসিগী হৌখিবা এপ্রিল ১৭তা পাঙথোকখিবা বজেট সেসনদা লোক সভা অমদি রাজ্য সভাদা ৱুমেন রিজার্ভেসন চৎনহন্নবগীদমক বিল অসি পুথোরকখিবনি। বিল অসিগী মনুং চন্না দিলিমিটেসনগী ৱাফমসু য়াওরকপদগী বিল অসি পাস তৌবা ঙমখিদবনি হায়রি।

## নাওরেমথোংদা বোম থমজিল্লম্বগী...

*লমায় ১গী মখা...*লাইশ্রম লৈকাই নুপীশিংগী চাউখৎ থৌরাং লূপকী জোইন্ট সেক্রেটরী ঙাঙোম শন্ধ্যারানীনা হায়, শকখঙদবশিংনা অচোম ইবুংঙোগী য়ূমগী থোঙ্গালদা থল্লম্বা হেন্দগ্রেনেদ অদু ঙসি অয়ুক থেংনরকখিবনি। হায়রিবা লম্বী অসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিসি তাবা লম্বী ওইবনা মী য়ান্না চিনবা মফম অমনি। অসিগুম্বা মফম অসিদা বোম থমজিন্দুনা মীয়ামদা অকি অখং পীবগী থৌওং অমুক্তা থোকখিবা লৈখিদ্রি। অসিগুম্বা অশোক অপন য়াওবা য়াবা থৌদোক অসি মতুংদা অমুক হন্না তৌবীগনু। করি মরমগী বোম অসি থল্লল্লিবনো হায়বদু হৌজিক ফাওবগী ওইনা খঙবা ঙমদ্রি। করিগুম্বা অশোয় অঙাম য়াওরম্বা তারবদি মদুগী তেকচাক কনানা পুগনি হায়খি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা য়ূল্লক্তা বোম থমজিনবা য়ানিংদে, মীয়ামদা অকি অখং পীগনু হায়না থাবা প্লেকার্দশিংসু শীজিন্নখি।

## ইরাং অসিবু মায়কৈ অমরোমদা ...

*লমায় ১গী মখা...*মরাল অসি বি জে পি লৈঙাক্কী মথক্তা অমদি মীয়ামগী খোল্লাও কয়া পুখৎলুবগীদমক মহাকপু নমথনবা শীল্লকপনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। লমদম অসিদা হৌজিক থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোক, মীচম মীয়াম অমা টেরোরিষ্টশিংনা তমথিনা হাৎপা অমদি সম্পেন্সসন ওফ ওপরেসনগী মরুমদা আর্মদ গ্রুপশিংনা তৌনিংবদা তৌরিবা অসি হান্না ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবগী মহুত্তা মীয়ামবু মায়কৈ অমরোমদা লান্না পুনবা হোৎনরকপা অসি লাইবক থিবনি। মণিপুর মীয়ামগী মমল নাইদ্রবা ভোটপু শেলনা লৈগনি খল্লিবা বি জে পি লৈঙাক মথংগী ইলেক্সনদা পারা অমা তন্বীরগনি হায়খি।

# দেমোগ্রাফিগী চৈথেং নংলিবা মীয়ামগী অচুম্বা পাউদম খঙনবা এম ঐচ এনা অনৌবা পোর্টেল হাংদোকখ্রে



ন্যু দেল্লি, ওক্টোবর ১৬ (এজেন্সি): লৈবাক অসিদা হোংলক্লিবা দেমোগ্রাফিগী ফিভম য়েংশিন্নবা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ারস (এম ঐচ এ)গী মায়কৈদগী নৌনা শেমখিবা দেমোগ্রাফি পেনেলনা হৌখিবা চহী ২০১১গী মতুং লৈবাক অসিদা থেংনরিবা দেমোগ্রাফিগী অহোংবা অসিগী মতাংদা লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা তোঙান তোঙানবা বোদিশিং য়াওনা এন জি ও, ইন্টরনেসনেল ওর্গনাইজে সনদা নৎতনা দেমোগ্রাফিগী চৈথেং হকথেংননা মায়োক্নরিবা লৈবাক মীয়ান্না দেমোগ্রাফিদা অহোংবা লাক্লিবা অসি করি মরমদগী থোকপনো অমদি করি করম্বা খোঙথাং লৌখৎলবদি দেমোগ্রাফিকী চৈথেং অসি মায়োক্নবা ঙমগনি হায়বগী ৱাফম খঙদোক্নবা নৌনা পোর্টেল অমা হাংদোক্নুনা থমখ্রে।

এম ঐচ এগী মখাদা দেমোগ্রাফিগী পেনেলনা নৌনা হাংদোকখিবা পোর্টেল অসিগী মতুং ইন্না লৈবাক অসিগী ঙমখৈ পরিংদা মপুং ওইনা দেমোগ্রাফিকী চেঞ্জ চাওনা মায়োক্নরি। ঙমখৈ পরিংদা দেমোগ্রাফিগী চৈথেং মায়োক্নবতা নৎতনা মসিদগী হেন্দোরক্নুনা অর্বান্দ সেন্টর, ইন্দষ্ট্রিয়েল কোরিদোর, ত্রাইবেল রিজননচিংবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাকথোক শন্দোরক্নুনা সেন্সিটিব এরিয়াশিংগী শেনমিৎলোনদা য়ান্না চাওনা চৈথেং পীবা থেংনরি।

লৈবাক অসিদা থেংনরিবা দেমোগ্রাফিগী চৈথেং অসি অঙাং য়ান্না পোকপা নৎত্রগা মরম চাদনা শিবগী মশিং হেনবদগী থোকপা নৎতে। লৈবাক অসিগী ঙমখৈ পরিংদা আইন কায়না চংশিলক্লিবা ইমিগ্রেসন, অমসুং লৈঙাক সাসনদা অহোবা কয়া লৈবদগীনি হায়রি।

দেমোগ্রাফিগী চৈথেং হকথেংননা মায়োক্নবা মফমশিংদগী লৈবা মীওইশিংদা নৌনা হাংদোক্লিবা পোর্টেল অসিগী খূৎথাংদা দেমোগ্রাফি চেঞ্জজ অসি করি মরমদগী থোকপা ওইগনি হায়বা অদু মরিক চুন্না পাউদম্বা য়াবগী খুদোঙচাবা পীরি।

মীয়ামগী অচুম্বা ৱাকৎ তারবা মতুং লৈবাক অসিদা থেংনরিবা দেমোগ্রাফিগী চৈথেং অসি মায় পাক্না থেংননবা হোৎনবদা মথৌতাবা খোঙথাং লৌখৎপদা য়ান্না চাওনা কান্নবা ওইগনি হায়না দেমোগ্রাফিগা মরী লৈননা নৌনা শেমখিবা পেনেলগী মায়কৈদগী খঙহল্লক্লি।

# অয়েৎ অপন কয়া মায়োক্নরবসু অম্বেদকরগী কনষ্টিট্যুসননা ইন্দিয়াবু অমত্তা ওইনা লেপ্পুনা থল্লি: গবাই



ন্যু দেল্লি, ওক্টোবর ১৬ (এজেন্সি): হৌখিবা চহী ৭৬ রোম অসিদা এক্সটনেল এটেক অমদি ইন্টরনেল চেলেঞ্জজ কয়া মায়োক্নরবসু ডোক্টর বি আর অম্বেদকরনা দ্রাফ তৌদুনা শেমখিবা ইন্দিয়াগী কনষ্টিট্যুসননা লৈবাক অসিবু অমত্তা ওইনা পূনশিন্দুনা থমদুনা মায় পাকপগী লম্বীদা লেপ্তুনা চংশিল্লি হায়না সুপ্রিম কোর্টকী হান্নগী চীফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়া (সি জে আই)বি আর গবাইনা ফোঙদোকখ্রে।

স্মার্ট নগারিক অমদি বিদ্যার্থি প্রেরানা কৌবা মরাথিগী লাইরিক অনি নৌনা ফোঙবগী থৌরম অমদা মরুওইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়ারদুনা বি আর গবাইনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা বি আর গবাইনা হায়, লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীওই খুদিংমক মশাগী অপান্বগী মতুং ইন্না নিংতম্না হিংবা য়াবগী রাইট লৈ। অদুবু নিংতম্না হিংবগী রাইট অদুনা মরম ওইরগা অতোপ্পা মীওইশিংগী নিংতম্বদা অয়েৎ-অপন পীরোইদবনি।

হৌখিবা চহী ১৯৫৫তা ইন্দিয়াগী কনষ্টিট্যুসন চৎনখ্রবা মতুং লৈবাক অসিদা অতোপ্পা লৈবাকশিংদগী এটেক কয়া লেপ্তনা চত্থরকপদা নৎতনা লৈবাক মনুংদসু খুদোঙথিবা অৱাবা চৈথেং কয়া মায়োক্নখি।

মতম অদুদা লৈবাক অসিদা ইন্সরজেন্সি অমসুং মিলিটেন্সিগী চৈথেং কয়া মায়োক্নদুনা লাক্লবসু লৈবাক অসিগী লৈরিবা কনষ্টিট্যুসননা লৈবাক মীয়ামবু অমত্তা ওইনা পূনশিন্দুনা থম্বগী মথক্তা চাওখৎপগী লম্বীদা মায় পাক্না চংশিন্দুনা লাক্লি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, লৈবাক অসিবু অমত্তা ওইনা লেপ্তুনা চাওখৎপগী লম্বীদা মায় পাক্না চংশিনবা ঙল্লিবা অসি বি আর অম্বেদকরনা দ্রাফ তৌখিবা লৈবাক অসিগী কনষ্টিট্যুসন অমদি লৌমী মীয়ান্ননি হায়নসু ফোঙদোকখি।

লাইর-অনং থিদনা লৈবাক মীয়ামবু অমত্তা ওইবা মীৎয়েং য়েংদুনা মান্নবা চাকথুং অমদি খুদোঙচাবশিং ফংহনগদবনি হায়না পাউদম্লদুনা বি আর গবাইনা হায়, শেঞ্জাও পায়বা বিল্লিনিয়রগী মচা মশুশিংনা লন্দনদা চৎতুনা মহৈ মশিন তম্লবসু লৈবাক অসিদা লৈরিবা লাইরবা মহৈরোইশিংদা মান্নবা মহৈ মশিং তাকপী তম্বিনবা মরীলৈনবা ওথোরিটিনা মথৌ তাবা থবক লৌখৎকদবনি। মুম্বাইগী সিভিক ভোদি অমনা লাইরবা মহৈরোই ৫০বু সিঙ্গাপোরদা থাদুনা অখন্নবা কোর্সকী খুদোঙচাবা পীবগীদমক্তসু মহাক্না সিভিক বোদিগী ইনিসিয়েটিব অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

# পেন্দ্রবা মীয়ামগী খোঙজংনা লল্লোন ইতিক্কী থবক্তা অকায়বা পীদে, লৈঙাক্কী সটদাউননা অকায়বা পীবনি: দিপকে

ন্যু দেল্লি, ওক্টোবর ১৬ (এজেন্সি): লৈবাক অসিদা থেংনরিবা তোঙান তোঙানবা থৌদোক ৱাথোকশিংগী মতাংদা পেন্দ্রবা মীয়ান্না চংশিল্লিবা হিংশা য়াওদবা খোঙজংনা লল্লোন ইতিক তৌরিবশিংগী মফমদা থোইদোক্না অকায়বা পীবা লৈতে। অদুবু লৈঙাক্না লল্লোন ইতিক তৌরিবা মফম পূম্বা পাক্তক্না সটদাউন থম্বগী খোঙথাং, ইন্টরনেট সার্ভিস থিংজিনবগী খোঙথাং অমদি মফম অমদগী মফম অমদা মীয়ান্না চখোক চৎশিন তৌবদা থল্লিবা অথিংবা অসিনা মরম ওইরগা লল্লোন ইতিক তৌরিবশিংগী মফমদা য়ান্না চাওনা অকায়বা পী হায়না কোক্রোস জনতা পার্টি (সি জে পি)গী ফাউন্দর অভিজিদ দিপকেনা ফোঙদোকখ্রে।



সি জে পিনা শিন্দুনা ‘লেহরা দো তিরঙ্গা’ হায়না মিংথোন্দুনা ন্যু দিল্লিদা মশিং য়াম্লবা মীয়ান্না শরুক য়াদুনা খোঙজং চংশিল্লিবা অসিগী মাঙওইননা সি জে পিগী ফাউন্দর অভিজিদ দিপকেনা মহাক্কী ওফিসিয়েল এক্স একাউন্দগী খূৎথাংদা ফোঙদোরকখিবনি।

এক্স একাউন্দগী খূৎথাংদা অভিজিদ দিপকেনা হায়, সি জে পিনা শিন্দুনা মুম্বাই, পুনে, জয়পুর, লক্ষ্ণৌ, বেঙ্গলুরু অমদি নাগপুরনচিংবা তোঙান তোঙানবা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা চংশিল্লিবা খোঙজংশিং অসি হিংশা য়াওদবা পিছফুল ওইনা খোঙজং চংশিনবা হায়বা পান্দম থমদুনা ঙসি ফাওবা মরীলৈনবা ওথোরিটিগী মথক্তা খোঙজং চংশিন্দুনা লাক্লি।

ডো. বি আর অম্বেদকরনা দ্রাফ তৌদুনা শেমখিবা লৈবাক অসিগী কনষ্টিট্যুসননা মীয়ামদা পীরিবা রাইট অদুগী মতুং ইন্না সি জে পিনা খোঙজং চংশিন্দুনা লাক্লি।

তোঙান তোঙানবা থৌদোক ৱাথোকশিংগী মতাংদা পেন্নদ্রবা মীয়ান্না দিমান্দ কয়া তৌরদুনা লৈঙাক্কী মথক্তা খোঙজং চংশিনবা হায়বা অসি লৈবাক মীয়ামগী ফন্দামেন্টেল রাইটনি।

হৌজিক লৈবাক অসিদা লৈঙাক পায়রিবা পার্টি অসিনা মতম অমদা ওপোজিসন ওইনা লৈরিঙৈ তোঙান তোঙানবা দিমান্দ কয়া তৌরদুনা মতম অদুগী রুলিং পার্টিগী মথক্তা অকনবা খোঙজং কয়া চংশিন্দুনা ৱাহং কয়া হংদুনা লাকখিবনি।

অদুবু ঙসি হায়রিবা পার্টি অদুনা লৈবাক অসিদা লৈঙাক পায়রক্নবা মতম অসিদনা পেন্নদ্রবা মীয়ান্না তোঙান তোঙানবা দিমান্দ কয়া তৌরদুনা হিংশা য়াওদনা মশিং য়াম্লবা মীয়ান্না শরুক য়াদুনা চংশিল্লিবা খোঙজং কয়াবু অতম্নবা নমশিন্দুনা থন্নবগী থৌওং কয়া লেপ্তুনা চত্থরি হায়নসু সি জে পিগী ফাউন্দর অভিজিদ দিপকেনা মখা তনা ফোঙদোরক্লি।

# য়ু এসকী রুবিও লাক্তুনা মকোকথোংবা ওফিসিয়েলশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নগদৌরিবা অসিগী মতাংদা রাহুল গান্ধীনা ৱাহং কয়া থল্লক্লি

ন্যু দেল্লি, ওক্টোবর ১৬ (এজেন্সি): য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মার্কো রুবিও ইন্দিয়াদা লাক্তুনা লৈবাক অসিগী মকোকথোংবা লুচিংবশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নগদৌরিবা অসিগী মতাংদা কোংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবা ওইবতা নৎতনা লোক সভাগী ওপোজিসন লিদরসু ওইরিবা রাহুল গান্ধীনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মথক্তা তোঙান তোঙানবা ৱাহং কয়া হংলক্লি।

রাহুল গান্ধীনা মহাক্কী ওফিসিয়েল এক্স একাউন্দদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা হায়, য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মার্কো রুবিওনা মহাক্কী ইমপ্লোয়ীশিং মুম্বাইদা লাক্নবা সমোন তৌখ্রে। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মখাদা লৈরিবা এক্সটনেল এফিয়ারস মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী করি করম্বা খোঙথাং লৌখৎকনি হায়বা খঙবা ঙমদনা লৈরি। হিরম অসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক মীয়ামদা পাউদন্নিংবগী অপাম্বা শোয়দনা লৈরমগনি হায়বগী চপ চানা থাজবা লৈ। নৎত্রগা মহাকপু হিরম অসিগী মতাংদা লৈবাক মীয়ামদা অচুম্বা ৱাফম ফোঙদোকহন্নিংবগী অপাম্বা লৈবরা হায়নসু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্কী মথক্তা অকনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোরক্লি।



অমরোমদা রাহুল গান্ধীনা মার্কো রুবিওনা ইন্দিয়াদা লাক্কদৌরিবা খোঙচৎ অসিগী মতাংদা থল্লক্লিবা ৱাফমশিং অসিগী মতাংদা বি জে পি নৎত্রগা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্তনা লৈরি।

অমরোমদা কোংগ্রেস পার্টিগী মকোকথোংবা লুচিংবা জয়রাম রমেশনা য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট ইন্দিয়াদা লাক্তুনা মকোকথোংবা ওফিসিয়েলশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নগদৌরিবা অসিগী মতাংদা মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটনেল এফিয়ারসনা করিগুম্বা ৱাফম অমত্তা কাংথোক্তুনা তুমিন্না লৈশিল্লিবা করিগীনো হায়না হংলকখিবসু লৈখ্রে।

পনবা য়াবদি ব্লুমবর্গ ন্যু ইকোনোমিগী ফোরমঅমদা য়ু এসকী এম্বেসেদর সার্জিও গোরনা মার্কো রুবিও মুম্বাইদা লাক্তুনা লৈঙাক্কী ওফিসিয়েলশিংনা উন্নরগনি হায়না ফোঙদোরকখিবা লৈখ্রবনি।



## Crossword # 1169

Across
1. Till bills
5. Alternative word
9. Artist ____ Picasso
14. Field cover
15. Chimney grime
16. Pointer
17. Give a job to
18. Immaculate ____
20. Flat
21. Mule's kin
22. Adjusts again
23. Bureaucratic delay (2 wds.)
25. Scratch
26. Gets uptight
28. Bubble ____
32. Camera support
36. Laughter syllable
37. Resound
38. Brief summary
39. Wager
40. Not outer
41. Afresh
42. Golly!
43. Unobserved
44. Pea shells
45. Most recent
47. Fled
48. Composer ____ Bernstein
53. Loved dearly
57. Guy's partner
58. Burn balm
59. Go downhill
61. Autograph
62. Risked
63. Primates
64. Lean against
65. Winter toys
66. Turner and Williams
67. Commits perjury

Down
1. Different
2. Unsophisticated
3. Miscalculated
4. Paid out
5. Got free
6. Make less tight
7. "My Three ____"
8. And so forth (Abbr.)
9. Document
10. Skills
11. Soft cheese
12. Burglar's booty
13. Has
19. Clear the blackboard
24. Upon
25. Converge
27. Ghostly garment
28. Affleck and Franklin
29. Skin woe
30. "Of ____ I Sing"
31. Trumpet, e.g.
32. Ambush
33. Casino city
34. Cooled
35. Bears' feet
39. Legume
40. Get ____ trouble
42. Forest clearing
43. Futile
46. Overjoyed
47. Tears apart
49. Twangy
50. Defendant's offering
51. Scoundrel
52. Small depressions
53. Tallies
54. Bargain
55. Fairy tale monster
56. Critic Rex ____
57. Rubberneck
60. Rodent

পাউখুম লমায় ৭ দা ...

# লেফটনেন্ট গভর্ণর শকসেনানা সঙ্কু দিষ্ট্রিক্ট শেম্লে হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা লদাখকী দিষ্ট্রিক্ট ৮ শুখ্রে

ন্যু দেল্লি, ওক্টোবর ১৬ (এজেন্সি): য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিগী ওফিসিয়েল অমদি লদাখকী লৈরিবা তোঙান তোঙানবা মকোকথোংবা লুচিংবশিংগা লদাখকী লৈরিবা ইলেক্টৈদ বোদি অমসুং কনষ্টিট্যুসনেল সেফগার্দকী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রবা মতুং লেফটনেন্ট গভর্ণর ভি কে শকসেনানা সঙ্কু দিষ্ট্রিক্ট নৌনা ক্রিয়েসন তৌরে হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা লদাখকী অপূবা দিষ্ট্রিক্ট ৮ শুখ্রে।



প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লদাখকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী শেন্থং মখাদা পায়খৎখিবা দিভলপমেন্ট প্রোজেক্ট কয়া শঙ্গাদুনা মীয়ামদা শিন্নখ্রবা মতুং লেফটনেন্ট গভর্ণর ভি কে শকসেনানা সঙ্কু দিষ্ট্রিক্ট নৌনা শেম্লে হায়না লাউথোকখিবনি।

লদাখকী গভর্ণর ভি কে শকসেনানা মহাক্কী ওফিসিয়েল এক্স একাউন্দগী খূৎথাংদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমদি হোম মিনিষ্টর অমিত সাহগী ‘সবকা সাথ, সবকা বিকাশ’ হায়বা ভিজন অসিগী মখাদা সঙ্কু দিষ্ট্রিক্ট ক্রিয়েসন তৌরে।

মতম কয়াগী মমাঙদগী মীয়ান্না দিমান্দ তৌদুনা লাকখিবা অদু লদাখকী লৈরিবা তোঙান তোঙানবা মীয়ামগী মীহুৎ অমদি লোকেল লিদরশিংগা ৱারী শান্নরবা মতুংদা মায় পাক্না সঙ্কু দিষ্ট্রিক্ট নৌনা শেম্বা ঙমখিবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়বাদি হৌখিবা এপ্রিল থাদা শকসেনানা লদাখকী দিষ্ট্রিক্ট ৫ নৌনা শেম্লে হায়না লাউথোক্তুনা পূন্না দিষ্ট্রিক্ট ৭ ওইদুনা লাকখিবনি।

# মিজোরাম লৈঙাক্না ম্যান্মারদগী চংশিলক্লিবা রিফ্যুজিশিংগী মুভমেন্ট য়েংশিন্নবা থবক লৌখৎপা হৌখ্রে

আইজোল, ওক্টোবর ১৬ (এজেন্সি): আইন কায়না মিজোরামদা চংশিল্লক্তুনা লৈরিবা ম্যান্মারগী রিফ্যুজিশিংগী মুভমেন্টশিং রিগুলেট তৌদুনা লৈঙাক্কী অয়াবা য়াওদনা চত্থরিবা লল্লোন ইতিক্কী থবকশিং থিংনবা মিজোরাম লৈঙাক্না থবক লৌখৎপা হৌখ্রে।



মিজোরামগী লোংলাই দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী দিপুটি কমিস্নারনা হৌখিবা থা অসিগী ১৫দা রিফ্যুজিশিংগী মুভমেন্ট রিগুলেট তৌদুনা অয়াবা য়াওদনা লল্লোন ইতিক্কী থবক চত্থরিবশিং অসি থিংনবা চেরোল থোক্তুনা মরীলৈনবা ওফিসিয়েলশিংদা খঙহনখিবনি।

নোংমা নীনিগী মমাঙদা ম্যান্মারদগী আইন কায়না চংশিল্লকপা লল্লোন ইতিক তৌবগী থবক্তা শিজিন্নবা চক্কা ৪ পানবা গাড়ী ১০ সেক্যুরিটি ফোর্সনা ফাখিবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুং লোংলাই দিষ্ট্রিক্টকী মমিং লৈরবা সি এস ও অমা ওইরিবা সেন্ট্রেল য়ং লাই এসোসিয়েসনগী মকোকথোংবা লুচিংবা কয়াগা লোংলাই দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রবা মতুং লোংলাই দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা ম্যান্মার রিফ্যুজিশিংগী মুভমেন্ট য়েংশিন্দুনা অয়াবা য়াওদনা লল্লোন ইতিক তৌবগী থবক অসি থিংনবগী খোঙথাং অসি লৌখৎলকখিবনি।

পনবা য়াবদি লোংলাই দিষ্ট্রিক্ট হায়রিবা মিজোরামগী দিষ্ট্রিক্ট অসিদা মতম কয়াগী মমাঙদগী ম্যান্মারদগী চংশিল্লক্লিবা রিফ্যুজিশিংনা মরম ওইরগা পামদবা থৌদোক ৱাথোক কয়া লেপ্তনা থোক্তুনা লাক্লি।



SL/KK/17


## NAME CHANGE DECLARATION

I, am the natural mother of Vyas Laishram who is studying in class IX B bearing Admn. No. 8558 at Kendriya Vidyalaya No. 1, Lamphelpat. In my son's academic record my name has been recorded as LAISHRAM MANDAKINI DEVI Which is the surname of my husband and whereas in my Aadhaar Card bearing No. 583825917016 my name is recorded as YENGKHOM MANDAKINI DEVI which surname is my parental surname. The two names LAISHRAM MANDAKINI DEVI and YENGKHOM MANDAKINI DEVI are pertaining to being one and the same person. I, have declared to make correction of name as

YENGKHOM MANDAKINI DEVI in my Son's academic record as recorded in my Aadhaar card so as to avoid any complicacy in future vide Affidavit before the Oath Commissioner, Manipur at Imphal dated 7th October 2026.

Sd/-
YENGKHOM MANDAKINI DEVI
AG COLONY LAMPHEL QUARTER NO. 4
IMPHAL WEST DISTRICT,
MANIPUR 795004

SL/KK/17

## CLARIFICATION

Date: 16 October 2026

The All Manipur NFSA Agency has concerned to distribute NFSA ration to the public in every month but due to the non-payment of transportation charge to the Agency by the Government of Manipur.

The All Manipur NFSA Agency has deducted one month of NFSA ration in lieu of transportation charge which was to be distribute to the public.

Media Cell:
All Manipur NFSA Agency

SL/Ath/17


# নগালেন্দ: ইলিগেল ইমিগ্রেসনশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎকদবনি

কোহিমা, ওক্টোবর ১৬ (এজেন্সি): ইনর লাইন পার্মিট সিষ্টেম মতিকচানা চৎনদুনা নাগালেন্দদা থেংনরিবা ইলিগেল ইমিগ্রেসনশিংগী মথক্তা চপ চাবা এক্সন লৌখৎকদবনি হায়না অঙ্গামি পব্লিক ওর্গনাইজেসননা দিমান্দ তৌরকখিবা অদুবু নাগা ষ্টুদেন্ট ফেদরেসননা শৌগৎলক্লি।

নাগা ষ্টুদেন্ট ফেদরেসনগী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমদা আইন ঙাক্না ষ্টেট অসিদা লাক্তুনা নন-ইন্দিজিনস মীয়ান্না লল্লোন ইতিক তৌবদা এন এস এফনা য়ানিংদবা লৈতে অদুবু ষ্টেট অসিগী লৈরিবা লোগী মায়োক্তা অয়াবা য়াওদনা চংশিল্লক্লিবা ইলিগেল ইমিগ্রেসনশিংগী থবক থৌওংশিংবু নাগালেন্দগী মীয়ান্না য়াবা ঙল্লোই। আইন কায়না চংশিলক্লিবা ইলিগেল ইমিগ্রেন্টশিংগী মথক্তা মরীলৈনবা ওথোরিটিগী মায়কৈদগী চপ চাবা এক্সন লৌখৎকদবনি হায়নসু মখা তারক্লি।

### সনা-সুদোকু-১১১০ সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 8 | 9 | 6 | 3 | 4 | 7 | 5 | 2 |
| 3 | 2 | 7 | 5 | 8 | 9 | 6 | 4 | 1 |
| 6 | 5 | 4 | 1 | 7 | 2 | 9 | 8 | 3 |
| 2 | 3 | 1 | 9 | 4 | 6 | 8 | 7 | 5 |
| 7 | 9 | 8 | 2 | 5 | 3 | 1 | 6 | 4 |
| 5 | 4 | 6 | 8 | 1 | 7 | 2 | 3 | 9 |
| 4 | 6 | 3 | 7 | 2 | 1 | 5 | 9 | 8 |
| 9 | 1 | 5 | 4 | 6 | 8 | 3 | 2 | 7 |
| 8 | 7 | 2 | 3 | 9 | 5 | 4 | 1 | 6 |


## NAME CHANGED

Date: 16 October 2026

I, M. Memi Devi, wife of No. 7241242H, Rank: Havildar (Retd), Name: Chingakham Bijoy Singh, RO: RO RVC Meerut, a resident of Unipok Bachaspati Leikai P.O. & P.S. Lamphel District: Imphal West, State: Manipur-795004, have changed my name & DOB from M Memi & 01-JUN-1976 to Chingakham Memi Dev & 27-MAY-1979 for all future purposes vide affidavit dated 26/20/2026 before the Oath Commissioner, Imphal West, Manipur

Sd/-
Deponent

SL/Bablu/17

# জেলেনস্কি অমসুং ট্রম্পগী মরক্তা মরী ফৎনরকখিদবগা রসিয়ানা য়ুক্রেনগী রিজন ৯দা এটেক চথরকখ্রে



ক্যিব, ওক্টোবর ১৬ (এজেন্সি):
য়ুক্রেনগী রিজন ৯দা রসিয়ানা এটেকশিং চথরকখিবগা য়ূথোঙ লিশিং কয়াদা পৱার ফংখিদ্রে অমসুং য়ূম কয়া অতেক অকায় থোকখিবগা লোয়ননা য়ামদ্রবদা মীওই ১৫ শোকখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুক্রেন অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকগী মরক্তা লৈনবা মরী হেন্না ফৎচিল্লকখিদবগা চয়োল অসিদা রসিয়াগী হেনগৎলক্লিবা নোংথক এটেকশিংদা য়ুক্রেন হেন্ন-হেন্না খুদোঙথিবা মায়োক্লরবা য়াই।

শাথিরবা নিংথম থা মাঙওইননা রসিয়ানা পৱার গ্রিদতা অকনবা এটেক তৌরকপা হায়বসি লান অসিগী চহীগী ওইনা তৌদুনা লাক্লবা অমনি। মসিনা মীচমশিংবু হিতিং অমসুং রন্নিং ৱাটর ফংহন্দদুনা য়ুক্রেনগী লাম্হেংনবগী অপাম্বা অদু থুগাইনবা পান্দম থল্লি।

য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেনস্কিনা রসিয়ানা লান্দারকপা অদুগী মতাংদা মাগী নুংনাংবশিং ফোঙদোক্তুনা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ন লুচিংবশিংগী সম্মিট অমদা ইরাই নুমিৎতা শরুক য়াখি।

মীফম পাঙথোক্লিবা কা অদুগী মনুংদা জেলেনস্কিনা চংলকপদা ব্রুসেলসতা লুচিংবশিং অদুনা মহাকপু থাগৎখি, য়ুক্রেনগীদম শৌগৎনবা ৱাশকখি অমসুং রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনগী মথক্তা শাফু পীথনবা য়ু এসতা আপিল তৌখি।

বেলজিয়মদা ই ইয়ু সম্মিটতা থুংলখিবগা জেলেনস্কিনা অশেংবা লুচিংবশিংনি হায়না মহাক্না হায়রিবশিং অদুদগী শৌগৎলকপগীদমক লৈবাক ২৭কী ব্লোক অদু থাগৎখি।

লান অসিদা য়ুক্রেনদা মথং চহীদা দোল্লর বিল্লিয়ন ১৭৪ তিংহল্লগনি হায়না জেনেস্কিনা হায়রি। মহাক্কী লৈবাক্না য়ুরোপতগী য়ামদ্রবদা দোল্লর বিল্লিয়ন ৭৩ (য়ুরো বিল্লিয়ন ৭০) মথৌ তাগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

হৌখিবা থাদা য়ামদ্রবদা য়ুক্রেনিয়ান মীচম ৩২৮ শিখি অমসুং ২১০৫ শোকখি হায়না ক্যিবতা য়ুনাইটেদ নেসন্স হ্যুমেন রাইটস ওফিস অদুনা হায়খি।

য়ুক্রেনিয়ান দ্রোনশিংনা রসিয়ান এয়ারপোর্ট ফ্লাইট কেন্সেলেসনশিং তৌহনখ্রে। য়ুক্রেননা রসিয়াদা অমুক হন্না এটেক তৌনবা মখোয়না ময়ূমদা পুথোকচবা লোং-রেঞ্জ দ্রোনশিং শিজিন্নরি।

ইরাই নুমিৎতা রসিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা মখোয়গী এয়ার দিফেন্সশিংনা তোঙান তোঙানবা রসিয়াগী রিজনশিং দা ঙরাং নুমিদাং য়ুক্রেন দ্রোন ৬৪৪ ইন্টরসেপ তৌরে হায়খি।

ঙরাং নুমিদাং অথিংবা থম্বা মরমদগী মোস্কো এয়ারপোর্ট ৪দগী ফ্লাইট ২০০ হেন্না মতম থেংথখি। মসিদা নৎতনা নুংদাংবা অথিংবা থমখিবা সেন্ট পিটরসবর্গ এয়ারপোর্টতা অতোপ্পা ফ্লাইট ৪৬ অমগসু মতম থেংথখি অমসুং কেন্সেল তৌখি।

# ইরানগী ন্যুক্লিয়ার প্রোগ্রামগা মরী লৈনবা পিক কারসে মাউন্টেনদা এটেক তৌরবা য়াই হায়না ট্রম্পনা ফোঙদোকখ্রে

ৱাসিংটন, ওক্টোবর ১৬ (এজেন্সি):
য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা মহাক্না টেহরানবু ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই অমা পায়হন্দনবগী পান্দমদা ইরানগী ন্যুক্লিয়ার প্রোগ্রামগী মরীলৈনবা মফম অমা ওইরিবা পিকাসে মাউন্টেনদা য়ু এসনা টার্গেট তৌরবা য়াই হায়খ্রে।

শগোলশেলগী নুমিদাংদা ন্যুজমেক্সকা উন্নবা অমদা য়ু এস অমসুং ইজরেলগী এটেকশিং চথুদুনা ফেব্রুৱারিদা হৌখিবা ইরানগী মথক্তা চথবা লান অসিনা মহাক্না ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই অমা শিজিন্নরোই হায়নসু ট্রম্পনা হায়খি।

মহাক্না হায়খি, করিগুম্বা ইরাননা ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই পায়খিবা তারবদি মখোয়না মদু শিজিন্নরক্কনি, মরম অদুনা ইরাননা ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই অমা কৈদৌঙৈদা পায়দবা হায়বদু শোয়হন্দবা য়ু এসনা পাম্মি।

মখোয়গী ন্যুক্লয়ার অদু চিংদোনগী টোন মিল্লিয়ন কয়াগী মখাদা ফুমদুনা লৈ। হৌজিক ঐখোয়না পিককাংসে মাউন্টেনদা য়েংলি, ঐখোয়না মফম অদুদা চৎলবা য়াই, ঐখোয়না মদুদা এটেক অমা তৌগনি, ঐখোয়না মদু য়াম্না থুনা থুগাইগনি হায়না ট্রম্পনা ন্যুজ অউটলেট অদুদা হায়খি।

পিককাকসে মাউন্টেন হায়রিবসি টেহরানগী মপুং ওইবা ন্যুক্লিয়ার সাইটশিংগী মনুংদগী অমগী মনাক লৈনুংদা য়াম্না লুনা লৈবা অকনবা মওংদা চেকশিন্না শেম্লবা ফেসিলটি অমনি।



য়ু এস প্রসিদেন্ট অদুনা ইরাননা ন্যুক্লিয়া বোম অমা শিজিন্নবগী থৌরাং লৈতে হায়খি। ঐহাক্না ন্যুক্লিয়ারা শিজিন্নরোই। ঐখোয়না মদু তৌরোই হায়না মহাক্না হায়খি।

ট্রম্পনা ইরানদা য়ু এস গ্রাউন্দ ট্রুপশিং শিজিন্নবগী খন্নবা লৈতে হায়না মহাক্না অমুক হন্না চেৎনা হায়খি।

ইরানগী ইনর্জি ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং ন্যুক্লিয়ার সাইটশিংদা মহাক্না মাদর ওফ ওল বোমস হায়নসু খঙনবা জি বি য়ু –৪৩/বি মাসিব ওর্দিনান্স এয়ার ব্লাস বোম শিজিন্ননবা মহাক্না ওথোরাইজ তৌখিব্রা হায়বদু মহাক্না হায়খিদে।

এম ও এ বি বোম অদু ন্যুক্লিয়ার বোম অমা নৎতে হায়না মহাক্না হায়খি।

# দিন্যুক্লিয়রাইজেসনগী মতাংদা রসিয়া অমসুং চাইনাদা ৱারী শান্নরি হায়না য়ু এসকী দোনাল্ড ট্রম্পনা ফোঙদোকখ্রে

ৱাসিংটন, ওক্টোবর ১৬ (এজেন্সি):
য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই মশিং খ্বাইদগী য়াম্না লৈবা লৈবাকশিং দিন্যুক্লিয়রাইজ তৌনবগী পান্দমদা ৱাসিংটননা মোস্কো অমসুং বৈজিংগা ৱারী শান্নরি হায়না শগোলশেল নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

রসিয়ানা ন্যুক্লিয়ার ৱারহেদ মশিং খ্বাইদগী য়াম্না লৈ, মথংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং চাইনানি হায়না ষ্টোকহোল্ম ইন্টরনেসনেল পিছ রিছার্স ইনষ্টিট্যুটনা হায়রি।

দিপ্লোয় তৌবা ৱারহেদকী মশিংদা য়ু এসনা রসিয়াদগী হেল্লি। ন্যুজমেক্সকা উন্নবা অমদা ট্রম্পনা মথং চহী ৫গী মনুংদা চাইনানা য়ু এসকা মান্নরকপা য়াই হায়না মহাক্না খল্লি হায়খি।

থবক পূন্নমক অসি চপ মান্নে মরমদি করিগুম্বা ওইথোক্লিঙাই লৈরবদি ঐহাক্না ন্যুক্লিয়ারজেসন তৌবা পাম্মি। মদুগী মতাংদা ঐখোয়না তশেংনমক রসিয়াগা ৱারী শান্নরি। ন্যুক্লিয়ারেসনগী মতাংদা ঐখোয়না চানাদা ৱারী শান্নরি হায়না ট্রম্পনা হায়খি।

ন্যুক্লয়ারজেসনগী মতাংদা ট্রম্পনা চাইনাগী প্রসিদেন্ট জি জিনপিংদা ৱারী শাখ্রে হায়না পাউচে অদুনা হায়খি।

ষ্ট্রেটেজিক আর্মস রিদক্সন ট্রিটি অদু ঙল্লিঙৈ চহী অসিদা মতম লোইখিবগী থা খরগী মতুং ট্রম্পকী ৱাফমশিং অসি ফোঙদোকখিবনি।

২০১০দা সহি তৌনখিবা দ ন্যু এস টি এ আর টি ট্রিটি অদুনা শুপ্নগী এক্সটেন্সন অমা য়াহনখি। মদু হান্নগী য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদন অমসুং রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা চহী ৫গীদমক য়ান্নখিবনি।

অনৌবা এক্সটেন্সন অমগীদমক ট্রিটি অদুগী অকক্লবা মতম অদু ভলন্টরি ওইনা শাংদোক্লবা একজিক্যুটিবকী ৱারেপ মথৌ তাগনি।



# অঙাং ১০গী মনুংদা ৪দি মোবাইল অমদি কম্প্যুটর শীজিন্নবনা শরূ–শয়াং নাবগী চাং ৱাংখৎহল্লকখ্রেঃ রিপোর্ট

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১৬ (এজেন্সি):
খ্বাঙ নাবা, য়াঙলেন নাবা অমদি শরূ–শয়াং চিকপা শাবগী থৌওং অসি চহী য়ামশিল্লকপা মতমদা থোক্কল্লি হায়না লৌনরম্বা অদু ঙসিদি চহী নৌরিবা অঙাংশিংদসু থোক্লকপগী চাং ৱাংখৎলকখ্রে।

পুনেদা লৈবা দিম য়ুনিভর্সিটি মেদিকেল কোলেজগী টিম অমনা অখন্ননা চথুখিবা ষ্টদি অমদা অঙাং ১০গী মনুংদা ৪দি মোবাইল অমদি কম্প্যুটর শীজিন্নবনা শরূ–শয়াং নাবগী চাং হেনগৎহল্লে হায়না ফোঙদোরক্লি।

স্কুল চৎলিবা অঙাং ১,২২৫ রোমদা চথুখিবা সর্ভে অমগী মতুং ইন্না মোবাইল কম্প্যুটর শীজিন্নবনা অঙাংশিংগী য়াঙলেন, মঙক, খ্বাঙ অমদি মখোঙ মখূৎ নাবগী চাং অসি ৱাংখৎলকখিবনি হায়বা খঙবা ঙল্লকখিবনি। হায়রিবা অঙাংশিং অসিগী মনুংদা খুঙ্গংদা লৈবা অঙাং দগী সিটিদা লৈবা অঙাংশিংদনা হেন্না শরূ শয়াং নাবগী চাং অসি হেল্লি হায়বসু খঙবা ঙমখ্রে। সিটিদা লৈবা অঙাং চাদা ৪৩.৪ অদুগা খুঙ্গংদা লৈবা অঙাং ৩৩.২ মোবাইল অমদি কম্প্যুটর শীজিন্নবনা শরূ শয়াং নাবগী চাং অসিদা লৈরি। ষ্টদি অসিদা খঙবা ঙল্লকখিবা ৱাফম অমনা নোংমগী মনুংদা লেপ্পা লৈতনা মিনিট ৬০ রোম মোবাইল নৎত্রগা কম্প্যুটর শীজিন্নরবদি য়াঙলেন অমদি ঙক নাবগী চাং য়াম্না ৱাংনা লৈ। লোয়ননা অঙাংশিংনা মতম শাংনা ফিভম অমদা অদুমক ফমদুনা লৈবা অসিনসু অঙাংশিংগী মঙক, য়াঙলেন অমদি খ্বাঙ নাবা থোকহল্লি। মরম অদুনা অঙাংশিংনা স্ক্রন শীজিন্নবগী মহুত্তা ফেজিকেল এক্টিভিটি তৌহনবা অমদি ফম্বা হিপ্পগী ফিভম মুর্ত্তি চুমহনবা চঙই।

চথুখিবা ষ্টদি অসিদা হেন্না ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্নবগীদমক হান্না শোকখিবা অমদি ইমুং মনুংদা য়াঙলেন নাখিব্রা হায়বগী হিষ্টরি য়াওনা য়াম্না কূপ্না থিজিনখি। ষ্টদি অসিগী মতাংদা ইন্দিয়ান স্পাইনেল ইঞ্জরিজ সেন্টরগী চীফ ডাইরেক্টর ডাক্তর কালিদত্ত দাসনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না মীওইবগী য়াঙলেন শরূ অসি থবক তৌরিবা খূদিংমক অমদি চথোক চৎশিন্দা চাউনা মতেং পাংবা হকচাংগী কয়াৎ অমনি। চহী নৌরিঙৈদা য়াঙলেন নারে হায়না কমপ্লেন তৌরক্লিবা অঙাংশিং অসি ফেজিকেল এক্টিভিটি ৱাৎলে, মোবাইল কম্প্যুটর শীজিন্নরে হায়না তাকপনি।

করিগুম্বা অঙাং অমদা য়াম্না তোয়না অসিগুম্বা য়াঙলেন শরূ, মঙক অমদি মখ্বাঙ নারে হায়বগী কমপ্লেন লাক্লবদি মমা মপা ওইবশিংনা লায়েংনবা ডাক্তরশিংগা তান্নদুনা য়েং থোকপীবা চঙ্ই হায়রি।







# য়ু এসনা মেক্সিকোগী বাজা কোষ্টতা ঈশিংদগী ১৬ কনখ্রে

লোস এঞ্জেলিস, ওক্টোবর ১৬ (এজেন্সি):
মেক্সিকোগী বাজা কার্লিফোর্নিয়া তোর্ব্বান মনাক্তা পেসিফিক ওসিনদা তাওদুনা লৈবা উবা য়ামদ্রবদা মীওই ১৬ ইরাই নুমিৎকী নোংঙাল্লমদাইদা কনখ্রে অমসুং ওথোরিটিজনা অতৈ কয়ামরুমগীদমক থিরিহায়না য়ু এস কোষ্ট গার্দ ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

এনসেনাদাগী নোংচুপতা মাইল ১৪০ রোম লাপ্পদা ঈশিংদা অয়ুক ১ এম পি টিদা মীওই কয়ামরুম তাওদুনা লৈবা অদু উখি হায়না পেট্টি ওফিসার ক্রিস সেপ্পিনা হায়খি।

মীওইশিং অদু করি মরমগী ঈশিং অদুদা লৈরিবনো অমসুং হিসু অমত্তা লৈবা উদে হায়না মহাক্না হায়খি। কনখিবা মীওই অমনা মীওই ২৭ লোম হি অমদা তোংলকখিবনি হায়খি। মীওইশিং অদু করি তৌরিবনো হায়বগী মতাংদা সেফপ্পিদা অতৈ মখা তাবা মরিকচুম্বশিং লৈতে। ঈশিং অদুদা হি অমা লৈবগী মশক অমত্তা উদে। শুন্নতগী ঈশিং অদুদা মীওইশিং অদুখক্তমক ফংখি হায়না মহাক্না হায়খি।

কনখিবা মীওইশিং অদু সানদিএগোদা লৈবা হোস্পিটালশিং দা পুখৎলকখ্রে। কোষ্ট গার্দনা থিবগী থবকশিং অদুদা হেলিকোপ্টর অমা, ফিক্স–ৱিং প্লেন অমসুং কত্তর অমনা মেক্সিকান ওথোরিটিজদা তেংবাংলি। কার্লিফোনিয়াগী তোর্ব্বান অদু য়াওনা অকনবা মওংদা ঙাক শেল্লিবা লেন্দ বোর্দরস অদু চৎতনবা মায়গ্রেন্টশিংনা সমুদ্রদা চৎনবা স্মগ্লরশিংনা হেন্না খুদোঙথিনিংঙাই ওইবা পাম্বৈ অমা শিজিন্নরক্লি।

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR
IMPHAL WEST (CENTRAL)-II : MANIPUR
Ref. : Mut. Case No. 493/SDC/IW(C)-II of 2026 dt. 16/10/2026

Ningthoujam Surajan Singh S/O (Late) Ningthoujam Mani Singh of Sagolband Wangbam Leikai. -Petitioner(s)

-Vs-

Co-Pattadar No. I
(Late) Ningthoujam Mani Singh S/O (L) Ibotombi Singh of Keishamthong Elangbam Leikai. -O.P. (s)

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / NOTICE
Lamphel, the 16/10/2026

Under Sect. 46(3) of MLR & LR Act.1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিং দা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা Ningthoujam Mani Singhগী মিংদা লৈবা Imphal West তহশিলগী খুল নম্বর 42-Keishamthong অরিবা পাট্টা নম্বর 350 অনৌবা পাট্টা নম্বর 597 দাগ নং. 6174 অমসুং এরিয়া 0.05665 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পিরিবা দংকারিগী Petitioner মমিংদা পানবীনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West, (Central)-II উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চথরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)-II
SL/Nute/17

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR
KONTHOUJAM, IMPHAL WEST
Ref. : Mutation Case No. 239/SDC/IW(K) of 2026

Thongam Satyamala Devi D/O Th. Nganthoi Singh of Lairenbi Maning Keishamthong Hodam Leirak. - Petitioners

-Vs-

Late Toijam (N) Ibemhal Devi S/O (L) Natho Singh of Nambol Khori Leikai. - O.P.Party

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / NOTICE
Date 15/10/2026

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃ: পাট্টাদার T. (N) Ibemhal Devi, পীং মৃ: Natho Singh, সাং Nambol Khori Leikai গী মিংদা লৈবা Imphal West তহশিলগী খুল নং 91-Awangphoijing গী অনৌবা পট্টা নং 103 (N), দাগ নং 200 অমসুং এরিয়ানা 0.88 acre চাওবা Phourel ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবিনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউ–চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা অপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমতগী আপ্তি লৈত্রে হাইনা লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector Konthoujam
Imphal West, Manipur
SL/Jeena/17

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR
KONTHOUJAM, IMPHAL WEST
Ref. : Mutation Case No. 322/SDC/IW(K) of Dt. 16-10-2026

1) Phijam Bihari Singh S/O (L) Leibakmacha Singh of Sagoltongba Makha Leikai.
2) -Do- Nandajit Singh S/O (L) -do- of -do- - Petitioners

-Vs-

1) Late Phijam Laibakmacha Singh S/O (L) Mera Singh of Sagoltongba
2) Late Phijam Duhol Singh S/O (L) Mera Singh of Lansonbi. - O.P.Party

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / NOTICE
Date 16/10/2026

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃ: পাট্টাদার 1) Ph. Phijam Laibakmacha Singh, 2) Phijam Duhol Singh , পীং মৃ: Mera Singh, সাং Lansonbi গী মিংদা লৈবা Imphal West তহশিলগী খুল নং 85-Lansonbi গী অনৌবা পট্টা নং 21(N), দাগ নং 1261 অমসুং এরিয়ানা 1.03 acre চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিশিংনা মখোয়গী মমিংদা পানবিনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউ–চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা অপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমতগী আপ্তি লৈত্রে হাইনা লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector Konthoujam
Imphal West, Manipur
SL/Runil/17

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR
KONTHOUJAM, IMPHAL WEST
Ref. : Mutation Case No. 318/SDC/IW(K) of 2026

Chongtham Amarjit Singh S/O (L) Temba Singh of Kangmong Langoljam Maning Leikai - Petitioners

-Vs-

Late Chongtham Tomba Singh S/O Birachandra Singh of Kangmong Langoljam Maning Leikai. - O.P.Party

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / NOTICE
Date 15/10/2026

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃ: পাট্টাদার Ch. Tomba Singh , পীং মৃ: Birachandra Singh, সাং Kangmong Langoljam Maning Leikai গী মিংদা লৈবা Imphal West তহশিলগী খুল নং 98-Kangmaong গী অনৌবা পট্টা নং 297/1295(N), দাগ নং 1230& 1240/1697 অমসুং এরিয়ানা 0.60+0.04=0.64 acre চাওবা Phourel ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবিনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউ–চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা অপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমতগী আপ্তি লৈত্রে হাইনা লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector Konthoujam
Imphal West, Manipur
SL/Runil/17

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR
IMPHAL WEST (CENTRAL)-II : MANIPUR
Ref. : Mut. Case No. 485/SDC/IW(C)-II of 2026 dt. 13/10/2026

1) Laishram Broshori Devi W/O (L) Laishram Shanti Singh of Haobam Marak Lourembam Leikai.
2) Laishram Shivananda Singh S/o (L) -do- of -do-
3) Laishram Sujata Devi D/O (L) -do- of -do- -Petitioner(s)

-Vs-

Co-Pattadar No. 3 (Late) Laishram Shanti Singh S/O (L) L. Modhuchandra of Haobam Marak Lourembam Leikai. -O.P. (s)

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / NOTICE
Lamphel, the 13th Oct. 2026

Under Sect. 46(3) of MLR & LR Act.1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা (Late) Laishram Shanti Singh S/O (L) L. Modhuchandra of Haobam Marak Lourembam Leikai গী মিংদা লৈবা Imphal West তহশিলগী খুল নম্বর 46-Naoriya Pakhanglakpa Under patta No 216(Old), 501 (New) C.S. Dag No. 386 measuring an area 0.216100 hectare হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পিরিবা দংকারিগী Petitioner মমিংদা পানবীনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West, (Central)-II উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চথরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)-II
SL/Nute/17

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR
KONTHOUJAM, IMPHAL WEST
Ref. : Mutation Case No. 323/SDC/IW(K) of 2026

1) Pukhrambam Sanahanbi Devi W/O (L) Moirangningthou Singh of Nambol Mongjing Leikai. (0.04999).
2) -Do- Itomcha Singh S/O (L) Moirangningthou Singh of Nambol Mongjing Leikai. (0.09).
3) -Do- Ranjit Singh S/O (L) Moirangningthou Singh of Nambol Mongjing Leikai. (0.09).
4) -Do- Raju Singh S/O (L) Moirangningthou Singh of Nambol Mongjing Leikai. (0.09).
- Petitioners

-Vs-

Moirangningthou Singh S/O Thambalngou Singh of Nambol Mongjing Leikai.
- O.P.Party

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / NOTICE
Date 16/10/2026

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃ: পাট্টাদার Moirangningthou Singh, পীং মৃ: Thambalngou Singh, সাং Nambol Mongjing গী মিংদা লৈবা Imphal West তহশিলগী খুল নং 92-Khajiri গী অনৌবা পট্টা নং 143 (N), দাগ নং 413 অমসুং এরিয়ানা 0.31999 acre চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবিনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউ–চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা অপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমতগী আপ্তি লৈত্রে হাইনা লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector Konthoujam
Imphal West, Manipur
SL/Jeena/17

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR
IMPHAL WEST (CENTRAL)-II : MANIPUR
Ref. : Mut. Case No. 493/SDC/IW(C)-II of 2026 dt. 16/10/2026

1. Chingtham Romeshchandra Singh S/o (L) Kunjakeshor of Heirangoithong Yangambam Leirak
2. Chingtham Premkumar Singh S/o (L) Kunjakeshor Singh of Heirangoithong Naoriya Pakhang Lakpa Leikai
3. Sadokpam Bidyamani Devi W/o (L) Ch. Bimolchandra of Heirangoithong Yangambam Leikai
4. Chingtham Kunjaraj Singh S/o (L) Kunjakeshor Singh of Heirangoithong Naoriya Pakhang Lakpa Leikai
5. Chingtham Pushpendra kumar S/o-do- of-do-
6. Chingtham Romabati Devi W/o Ngasepam Pradipkumar of Sega Road Wairakpam Leikai
7. Chingtham Prabita Devi W/o L. Shantikumar of Haobam marak Lourembam Leikai
8. Chingtham Pushparani Devi W/o Haobijam Rajen Singh of Laphupat Tera Hiyangkhong
9. Chingtham Devarani Devi W/o O. Naobiton Singh of Top Khongnangkhong -Petitioner(s)

-Vs-

(Late) Chingtham Kunjakishwor Singh S/O (L) Mera Singh of Heirangoithong Maibam Leikai. -O.P. (s)

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / NOTICE
Lamphel, the 13th Oct,2026

Under Sect. 46(3) of MLR & LR Act.1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা (Late) Chingtham Kunjakishwor Singh গী মিংদা লৈবা Imphal West তহশিলগী খুল নম্বর 46-Naoriya Pakhanglakpa Under patta No 212 (New) C.S. Dag No. 765 measuring an area 0.0700 hectare হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পিরিবা দংকারিগী Petitioner মমিংদা পানবীনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West, (Central)-II উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চথরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)-II
SL/Nute/17

ক্রোসৱার্দ ১১৬৯ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| O | N | E | S | | E | L | S | E | | P | A | B | L | O |
| T | A | R | P | | S | O | O | T | | A | R | R | O | W |
| H | I | R | E | | C | O | N | C | E | P | T | I | O | N |
| E | V | E | N | | A | S | S | | R | E | S | E | T | S |
| R | E | D | T | A | P | E | | M | A | R | | | | |
| | | | | T | E | N | S | E | S | | B | A | T | H |
| T | R | I | P | O | D | | H | E | E | | E | C | H | O |
| R | E | C | A | P | | B | E | T | | I | N | N | E | R |
| A | N | E | W | | G | E | E | | U | N | S | E | E | N |
| P | O | D | S | | L | A | T | E | S | T | | | | |
| | | | | R | A | N | | L | E | O | N | A | R | D |
| A | D | O | R | E | D | | G | A | L | | A | L | O | E |
| D | E | G | E | N | E | R | A | T | E | | S | I | G | N |
| D | A | R | E | D | | A | P | E | S | | A | B | U | T |
| S | L | E | D | S | | T | E | D | S | | L | I | E | S |

